# হ্যুমেন চেইন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে, ধরনা চথখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ৫ঃ* মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম অমসুং ও লাবা অনিগী মীশি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহৈরোই লুপ তরুক্কা শিন্দুনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইন্দো-বর্ম্মা রোদকী নাক য়েৎতা লৈরিবা শিংজমৈদগী কাঞ্চিপুর ফাওবগী মহৈরোইশিং অমদি টিদিম লম্বীদগী হৌরগা ঘড়ী ফাওবদা লৈরিবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মণিপুরদা নত্তনা অসাম য়ুনিভর্সিটিনসু রিচার্দ মীশিগী মায়োক্তা রেল্লি চংখ্রে। মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন চান্দিগরনা শিন্দুনা মীওই ৩০০ রোম হেবনা শরুক য়াদুনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি, চান্দিগরগী ষ্টুদেন্টস সেন্টরদা সিট ইন প্রোটেষ্ট চথদুনা রিচার্দ মীশিদা অচুম্বা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদুনা মণিপুরগী মপান্দা মহৈ তমদুনা লৈরিবা অৰাং নোংপোক লমদমগী মরুওইনা মণিপুরগী মহৈরোইশিং অমসুং মখোয়গী অহল লমনশিংনা পুক্লিং লৈতানা লৈহন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখ্রে।

এমসু, এমএসএফ, দেসাম, কেএসএ, সুক অমসুং স্বাক্কা পুন্না শিন্দুনা হ্যুমেন চেইন শেমদুনা চথখিবা প্রোটেষ্ট অদুদা রিচার্দ লোইতাম অমসুং ও লাবগী মীশি য়ানিংদে, অৰাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোইশিংদা মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা য়েংলিবা মীৎয়েং য়ানিংদে, মীহাৎপশিং দন্দি পীগদবনি হায়না খোল্লাও কয়াসু লাওখি।

প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল থোইথোইনা ফোঙদোকখিবদা মহৈরোই লুপ তরুক্কা চথরিবা খোঙজং অসি মরুওইনা মপান লমদা মণিপুরগী মহৈরোই কয়ানা লাইরিক লাইশু তম্লিবা অসিদা মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা শা-ঙাগুম খনবা, হাৎনিংবা মতমদা হেক্তা হাৎপা, নুপী মহৈরোই কয়াবুনা মোলেষ্ট তৌনিংবা অমদি রেপ তৌনিংবা মতমদা তৌবা অসিনচিংবা কয়া অসিদগী তুমিন্না লৈথোকপা কয়াদগী খোঙজং অসি চংশিল্লকখিবনি।

হৌখিবা চহি ২০১১ গী জুন ২৩ দা য়ুম্নাম লৈকাইদগী মহৈরোই ও লাবা মহাক্কা তম্লিবা টামিলনাডুগী হিন্দুস্থান কলেজ ওফ আর্টস এন্দ সাইন্সকী হোষ্টেলদা মমায় প্লাষ্টিক্কা উপশিন্দুনা হাৎলম্বা অদুগা চহিসিগী এপ্রিল ১৮ দা উরিপোক য়াম্বেম লৈকাইদগী বেঙ্গলোরগী অচারিয়া এনআরভি স্কুল ওফ আর্কিটেকচরদা সেকেন্দ সেমিষ্টর তম্বা মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম্বু মীনুংশি লৈতনা হাৎতোকপীরম্বা অসিদা সরকারনা খুদক্তা এক্সন লৌখৎত্রি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লমদমসিগী মহৈরোই কয়া মীশি চাদনা শিবা লেপত্রি। অদুম ওইনমক হন্দক রিচার্দ লোইতামগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু খোঙথাং অসি মমাংদা ও লাবা অমসুং অতৈ লৈখিদবা মহৈরোইশিংগী মতমদা লৌখৎলম্লবদি য়াম্না মতাং চাগদবনি। য়াদে খঙহল্লম্লবদি ঙসি মপান লমদা মহৈ মশিং তম্লিবা মহৈরোই কয়া মেনলেন্দ ইন্দিয়ানা তৌনিংবদা তৌরিবসি লেপ্লম্বা য়াই হায়খি।

অমরোমদনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ অসাম য়ুনিভর্সিটি সিলচরনা এপ্রিল ১৮দা মীওইবগী মীনুংশিগী ৰাংমদা রিচার্দ লোইতাম হাৎতোক্লম্বা অমদি মেঘালয়াদগী দনা সংমা মীশিগী মায়োক্তা ঙসি য়ুনিভর্সিটি অদুগী কেম্পসতা সাইলেন্ট রেল্লি অমগা লোয়ননা কেন্দল লাইটিং অমা পাঙথোকখ্রে।

অসাম য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস কাউন্সিলগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা মহৈরোই ২০০ রোম হেনবা শরুক য়াখি। লোয়ননা জষ্টিস ফোর রিচার্দ এন্দ দনা সংমা, ষ্টোপ ব্রুটেল কিলিং ওফ ষ্টুদেন্টস হায়না থাবা প্লে কয়াসু থেৎখি।

মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন চান্দিগরনা ঙসি পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি চান্দিগরগী ষ্টুদেন্টস সেন্টরদা চথখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা মহৈরোইশিংনা রিচার্দ মীহাৎপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা রিচার্দ লৈখিদবা অমদি মৈস্নাম জোকিনা লৈখিদবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াখি। নুমিদাংদসু কেন্দল থান্দুনা রিচার্দকী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মীশি অসিগী অচুম্বা অমা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংহন্নবসু ঈশ্বরনা প্রার্থনা তৌখি হায়রি।